# পি এন বি মেটলাইফ জে বি সী জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা মেদল কয়া লৌরক্লে



ইম্ফাল, জুন ০৭ : জমসেদপুরগী টাটা বেদমিন্টন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা পি এন বি মেটলাইফ জে বি সী জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মেদল কয়া লৌরক্লে।

জুন ৫ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মনা লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি চহী ৯ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসতা য়াইস্কুল জন্মষ্টানগী খুমুকচম সিলহৈবা এলিয়স নিরাজ (সেকেন্দ রন্নর্স-অপ), চহী ১১ মখাগী বোইজ সিঙ্গলদা ওইনাম মমাঙ লৈকায়দগী লোংজম ব্রিক্সন্না ৱিন্নর, চহী ১১ মখাগী বোইজ সিঙ্গলদা লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী থৌদাম দেববর্ত্তনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ, চহী ১৩ মখাগী বোইজ সিঙ্গলদা ৱাংখৈ কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দগী জোমী সিঙ্গমনা ৱিন্নর, চহী ১৩ মখাগী বোইজ সিঙ্গলদা ওইনাম মমাঙ লৈকায়দগী লোংজম ব্রিক্সন্না সেকেন্দ রন্নর্স-অপ, চহী ১৫ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসতা ৱাংখৈ কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দগী জোমি সিঙ্গমনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ, চহী ১৫ মখাগী গার্লস সিঙ্গলসতা কৈনৌ অৱাং লৈকায়দগী হুইদ্রোম ভিলিন্দানা ৱিন্নর, চহী ১৫ মখাগী নুপীমচাগীদা কৈনৌ অৱাং লৈকায়দগী লৈমপোকপম দাইনানা রন্নর্স-অপ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাশিংগী ইভেন্টতা কৈনৌ অৱাং লৈকায়দগী হুইদ্রোম ভিলিন্দানা ৱিন্নর ওইখি।

# লৈখিদ্রবা ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবিনবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসতা অইবা চেরোল থাখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ০৭ :

হোকি মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং লৌরম্বা ধ্যান চান্দগী মফমদা ভারত রত্না পীদুনা ইকায়খুম্নফম থোকই হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসতা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবিনবা হায়জখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা পি টি আইদা হায়খি মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল থাদুনা ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবিনবা তকশিনখ্রে।

লৈবাক অসিগীদমক ধ্যান চান্দনা লৌরম্বা থৌদাংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ অসি পীবিনবা হায়জখিবনি।

কুমজা ১৯২৮, কুমজা ১৯৩২ অমদি কুমজা ১৯৩৬ তা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অহুম লৌবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবিনবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা হায়জবা হন্দক্লা অহানবা নত্তে। কুমজা ২০১৩ দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা যু পি এ গভর্ণমেন্টকী মতমদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ক্রিকেট শান্নরোয় সচিন টেন্দুলকরগী মহুৎতা হোকি শান্নরোয় ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবগী ৱাফম খন্নখি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা চহী অদুমক্তদা সচিন টেন্দুলকরনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা এৱার্দ অসি টেন্দুলকরদা ওইনা পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

কুমজা ১৯৭৯ দা লৈখিদ্রবা ধ্যান চান্দনা টেন্দুলকরদগী হান্না ভারত রত্না ফংফম থোকপ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা গোয়লনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা মখল অমত্তগী কমেন্ট পীবা পামদে। শান্নরোয় অনীমক লৈবাক অসিগীদমক্তদি মশক নাইবা মীওই ঙাক্তনি । মরম অদুনা করম্বা মীওইদা হান্না ভারত রত্না পীফম থোকপগে হায়বা ৱাহং অসিগী পাউখুম চপ চানা পীবা ঙম্লোই।

ধ্যান চান্দগী মচানুপা অশোক কুমার অমদি হান্নগী হোকি শান্নরোয় কয়ানসু মমিং লৈরবা মীওই অসিদা ভারত রত্না পীবিনবা কয়ারক হন্না তকশিনবা লৈখ্রবনি।

# এম আই টি টি এ সী আইগী ৩৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ :

মীতৈ ইন্দিজিনিয়স থাঙ তা এন্দ কলচরেল ইনষ্টিট্যুট (এম আই টি টি এ সী আই) কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী ৩৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম জুন ৬ কী অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী শঙলেন, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ১২ বামোন কম্পু জিলা পরিষদ কচুংনা গোলমৈনা অথোইবা মীথুংলেন, মীতৈ ইন্দিজিয়স থাঙ তা এন্দ কলচরেল ইনষ্টিট্যুট (এম আই টি টি এ সী আই) গী প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম সুরচন্দ্র মীতৈনা থৌরম মপু লোয়ননা অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লাংলোন লূপ এন্দ এ এম সী এগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম মীতৈ অমদি মীতৈ ইন্দিজিয়স থাঙ তা এন্দ কলচরেল ইনষ্টিট্যুটকী শিন্তাক পুরেল অথোকপম জয় অনীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না অহানবা ষ্টেট লেভেল চুঙ্গোই মরোল (থাঙ চুঙ্গোই) চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্‌দ গার্লস ওপন), য়েৎ-থাঙ ওই-থাঙ থাঙহাইরোল চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ ওপন), য়েৎ-থাঙ ওই-থাঙ থাঙহাইরোল চাংদম্নবা ২০১৭ (গার্লস ওপন), য়েৎ-থাঙ ওই-থাঙ থাঙহাইরোল চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্দ গার্লস ওপন/সব জুনিয়র, চহী ১২ মখা) অমদি নাৎকী জগোয় খূৎথেক চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্দ গার্লস ওপন) নচিংবা থৌরমশিং অয়ূক্কী সেসন্দা পাঙথোকখি।

পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা থাঙ তা অমদি অতৈ নাৎকী ওইবা মচাকশিংবু তুংগী মীহৌরোলগীদমক্তা খন্দুনা ঙাক্তুনা থমহৌনবগী পান্দমদা লিংখৎখিবা এম আই টি টি এ সী আইগী মপোক কুমওন থৌরমগী অনীশুবা সেসন ওইনা নুংথিলগী পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি, মাহুদ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এন ইন্দ্রজিৎ সিংহনা অথোইবা মীথুং, চেয়রমেন কলচরেল সেল, বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী নবা ভোলকেনো (সঙ্গিৎ ভুষন) না থৌরম মপু অমদি সী ঈ ও, বিষ্ণুপুর অর্বান কো-ওপরেটিব বেঙ্ককী মাইস্নাম কোরৌহনবা লুৱাং, কনভেনর কন্সত্রক্সন কম্মিটি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী শ্রী অশোক অগ্রৱাল অমদি পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম্না অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৬ তা ত্রিপুরাদা পাঙথোকখিবা শঙহাটি ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারুবা এম আই টি টি এ সী আইগী আর্টিষ্টশিং অমদি এম আই টি টি এ সী আইগী আর্টিষ্টশিংগী মরক্তগী ষ্টেট অমদি নেসনল লেভেলদা গোল্ড অমদি শিলভর মেদল ফংলকখিবী এন জেসিকা অমসুং অকমচম চনচনবুসু তরাম্না ওকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না শিঙ্গাপুরদা চহীসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্ট্রেস ৱর্ল্ডৱাইদ ইন্টরনেসনলদা ইন্দিয়ন মহুৎ শিনগদৌরিবা মণিপুরী নিঙোল দাইনা ময়াংলম্বমসু সার্টিফিকেট ওফ ওনর পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

নীংশিংবা য়াই, মপোক কুমওন থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল চুঙ্গোই মরোল (থাঙ চুঙ্গোই) চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্দ গার্লস ওপন) তা থোঙাম য়াইফবা সিংহ, নারুংবম জেসিকা দেবী অমদি অথোকপম মিলকি দেবীনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

য়েৎ-থাঙ ওই-থাঙ থাঙহাই চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ ওপন) তা লাইশ্রম রামানন্দা, য়ূমলেম্বম য়ুয়া সিংহ অমদি য়ূমখাইবম অমুস্না মীতৈনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি। য়েৎ-থাঙ ওই -থাঙ থাঙহাইরোল চাংদম্নবা ২০১৭ (গার্লস ওপন) তা মুতুম নাওতোম্বী দেবী, সেঞ্জম ওরমিলা দেবী অমদি লাইশ্রম রুবিনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

য়েৎ-থাঙ ওই-থাঙ থাঙহাইরোল চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্দ গার্লস ওপন/সব জুনিয়র, চহী ১২ মখা) তা থোঙাম সরিকা দেবী, থিঙুজম সরজু চনু অমদি অথোকপম মিলকি দেবীনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি। লোয়ননা নাৎকী জগোয় খূৎথেক চাংদম্নবা ২০১৭ (বোইজ এন্দ গার্লস ওপন) তা নারুংবম জেসিকা, হীরা লাইশ্রম অমদি খাঙেম্বম জিটেশ্বরি দেবীনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

# ফ্রেঞ্চ ওপনঃ দোমিনিক থিমনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীখ্রে

পেরিস, জুন ০৭ :

ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দোমিনিক থিমনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচপু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে।



সেমী ফাইনেলদা মহাক্না ৯ লক হন্না ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রফেল নদালগা থেংনরগনি। তরুকশুবা সীদেদ প্লেয়র ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী থিমনা জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীখিবা তারবসু ফ্রেঞ্চ ওপন লৌনবা পান্দম থল্লি।

জোকোভিচকী ওইনদি চহী মরিগী মনুংদা মতৌ অসুম্না ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা হন্দক্লা অহানবনি। মমাঙ চহীদা মহাক্না ফ্রেঞ্চ ওপন লৌদুনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংবা ঙমখ্রবনি।

অমরোমদা, মীয়াম্না ৱিমেন্স সিঙ্গলস লৌগনি হায়না থাজনরম্বা ক্রিষ্টিনা মলাদেনোভিকপু টিনিয়া বেকসিস্কিনা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নোভাক জোকোভিচনা রোলেন্ট গেরেসতা অমুক হন্না ৱিন্নর ওইনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা দোমিনিক থিমনা অরেম্বা তাহনখি।

দোমিনিক থিমনা নোভাক জোকোভিচপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখ্রে। ফ্রেঞ্চ ওপন লৌগনি হায়না থাজনরিবা রফেল নদালগী ওইনদি মহাক্কী লম্বা পেল্লো কারেনো বাষ্টানা অনীশুবা সেটতা রিটয়ার্দ তৌখিবা মরম্না সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

নদাল অমসুং থিমনা সেমী ফাইনেলদা থেংনরগনি। অতোপ্পা সেমী ফাইনেল অমদনা ষ্টান ৱারিঙ্কাগা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেগা শান্নগদৌরি। ৱারিঙ্কানা মেরিন সিলিকপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা মরেনা সেট অমা শোত্থহৌরবা মতুংদা কৈ নিসিকোরিবু মায়থীবা পীখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা সিমোনা হালেপনা কেরোলিনা প্লিসকোভাগা সেমী ফাইনেলদা থেংনগদৌরি। অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদনা টিমিয়া বেসিস্কি অমসুং জেলেনা ওষ্টাপেনকোগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা রোহন বোপানা মিক্স দবলসকী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। রোহন বোপানা অমসুং গ্রেবিলা দেব্রোস্কিগী জুরানা ফাইনেলদা অন্না লেনা গ্রোনফিল অমদি রোবার্ট ফরাগী জুরাগা থেংনগদৌরি।

সেমী ফাইনেলদা রোহন বোপানা অমসুং গেব্রিলা দেব্রোস্কিনা চেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রি হলাভাকোবা অমদি ফ্রান্সকী এদৱার্দ রোজর ভেসিলিনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙখিবনি।

মমাঙদা বোপানা অমসুং দেব্রোস্কিনা ইন্দিয়াগী সনিয়া মিরজা অমদি ক্রোএসিয়াগী ইভান দোভিক্কী জুরাবু ৬-৩, ৬-৪ দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল রাউন্দদা চঙলকখিবনি।

পনবা য়াই, ফ্রেঞ্চ ওপনগী মাপল্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রফেল নদাল অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচনা করিগুম্বা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা মশা মশাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাকপা থোক্লবদি সেমী ফাইনেলদা থেংনগদৌরি।

মমাঙগী চেম্পিয়ন জোকোভিচনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌদুনা ১৩ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা পান্দম থল্লি।

অমরোমদা, রফেল নদালসু তরারকশুবা ওইনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌনবা হোৎনরি। ক্বার্টর ফাইনেলদা জোকোভিচনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা থেংনরগনি। অমরোমদা, রফেল নদালনা স্পেনগী পেল্লো গারেনো বষ্টাগা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা থিয়েম ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা তরেৎশুবদা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দোল্লর ৭,০৪৯,৯১৮ গী মনা লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অসি কুমজা ২০১৬ কী ফ্রেঞ্চ ওপনদা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্না টুর্নামেন্ট নিপান লৌবা ঙমখ্রবসু গ্রান্দ স্লামগী টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদ্রি।



অমরোমদা মশাগী চহী ৩০ শুরবা জোকোভিচনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অনীশুবদা লৈরি। দোল্লর ১০৮,৯৪০,৫৯৭ কী প্রাইজ মনি ফংখ্রবা মীওই অসি গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১২ লৌখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট ৬৭ কী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন্দা মহাক্না চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মহাক্না হন্দক্কী ফ্রেঞ্চ ওপন টুর্নামেন্টকী ফার্ষ্ট রাউন্দদা মার্সেল গ্রেনোলরসপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা; অনীশুবা রাউন্দদা জিয়াও সোসাবু ৬-১, ৬-৪, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা দিগো সুৱাটমেনবু ৫-৭, ৬-৩, ৩-৬, ৬-১, ৬-১ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা ওলবার্ট রেমোস বিনোলাসপু ৭-৫, ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, থিয়েমনা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বনার্থ টোমিকপু ৬-৪, ৬-০, ৬-২ দা; অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী সিমোন বোলেরিবু ৭-৫, ৬-১, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ষ্টিব জোনসনবু ৬-১, ৭-৬ (৭/৪), ৬-৩ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবারোসপু ৬-১, ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা রফেল নদালনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মরিশুবদা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দোল্লর ৮৩,৫৭৩,১৭২ প্রাইজ মনি ওইনা ফংখ্রবা শান্নরোয় অসিনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৪ লৌখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট ৭২ লৌখ্রে। কুমজা ২০০৫, ২০০৬, ২০০৭, ২০০৮, ২০১০, ২০১১, ২০১২, ২০১৩ অমসুং ২০১৪ দা মহাক ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নদালনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রাঞ্চকী বেনোট পেরিবু ৬-১, ৬-৪, ৬-১ দা; অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হাসেবু ৬-১, ৬-৪, ৬-৩ দা; অহুমশুবা রাউন্দদা নিকোলোস বাসিলাসবিলিবু ৬-০, ৬-১, ৬-০ দা অমসুং মরিশুবা রাউন্দদা রোবার্টো বোটিষ্টাবু ৬-১, ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীরমখি।







HL-P/0791/24,27,29,31 may,2,4,6,8,10,12 june




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com